# ৱারীমচা

## নোকফেৎকী তুংদা

*কৈশাম প্রিয়োকুমার*

খোঙনেমদু চাউথোইহোয়গী লৌ য়ৈবগী খুলঙ চৎলুবদগী হল্লকপদা মঙায়রি। ফমেন্দা থারিবা ফক অদুদা ফমদুনা লেঙয়ান খূদৈদুনা মমায় মমীৎ নাম্বোক নাম্বোক্লা খোইদুম্না ৱা মচেৎ অমতা ঙাঙদনা মায়োক্লনা থারিবা ফক অদুদা ফম্লগা য়াম্না মথ্বায় য়াওনা গঞ্জা শেন্লিবদুদা য়েংই। খোইদুমদু লৌ কামিন্নরক্লগা ময়ূমদা চঙদবমখৈ ঙাইহাক পোত্থামিন্নবা খোঙনেমগী মতুং ইল্লকপনি। লৌ য়ৈবা লোইবদা নুমিৎ তাশ্রবনি। ঙসাসমখৈ ৱারুবদু হৌজিক্তিগ খক্তা নে তানা ফমথরবসিদদি পোইনুগী নিন্দুং মতুংগী অইংবা খরা খরা ফাওরকপগা খোঙনেমদু মশা খরা তেকখৎলকই।

খোঙনেম, ঙাইহাকসিদা মচানুপা তোম্পোক্তু পাক লাকখিরোই হায়না খল্লি। মহাকসু চাউথোইগী লৌ য়ৈবদু য়াওবনি। ফৌ বোরাশিংদু খুলগী লম্বী তম্না লৌবুক লময়ায়দগী থাঙদোরক্লগা অমুক ষণগাড়ীদা হাপ্তুনা চাউথোইগী ময়ূমদা চিংদৌরিবনি। অদুদগী অমুক, মখোয় মঙা–তরুক কদায়দনো ফমখৈ ফম্লুরগা মখোঙ কারল থাংলগা হল্লক্কদৌরিবনি। খোঙনেম্না খল্লিবসি, মচানুপাদু লাক্ত্রিঙৈদা তুমহৌবা, অসিনি।

হঞ্জিন–হঞ্জিন হৈজ্রাংনা নোইর–কক্ল, নোইর–কক্ল তৌরবা গঞ্জাদু মৈরূ হাপ্পবা কংক্রুদা হাপচিল্লগা খূবিনা তপ্পপ নমদুনা খোইদুম্না খোঙনেমদা লানশিল্লকই। মৈ চম্মী। খোঙনেমদু, খোঙনেম কৌজবগী ৱানি, তশেংবদি ৱাং চাউই। মখূৎ মশাদু তচাউ তচাউই। মখূৎ অদুনা কংক্রুদু পায়বদা শাফিগা কোন্নবা কংক্রুদু মশক উদে। উরিবা হায়ববু ঙাঙশঙ ঙাঙনা চাক্লিবা মৈ অদুতনি। মানা ফন্লিবা খূৎফম অদুসু খোঙ্গ্রাই ফজনা চল্লগা ময়াংলেন চপ তিংই। মঙক্তু ফনা কুইনা চিংলুরগা মৈখুদু তপ্না তপ্না থাদোরকই। অদুদগী খোঙনেমদু ঙসাইমখৈ শকফম হঞ্জিন্দুনা লৈরম্বদগী নোকফেৎ তৌরকই। খোইদুম্না য়েংবা নুংঙাইরিবসি খোঙনেম্না মমীৎ উইরুম উইরুম নোকফেৎ তৌবসিনি। অৱা–অনা হায়বদু অমতা লৈতবা, তাইবঙপান অসিবু পূম্নমক খঙলবা, উরবা মওংগী খূৎনোক্লি। মী উশিত্তবগী, করেম্নবগী, নোক্লবগী মমি অমসু তারিবদু খোইদুম্না উই। নোকফেৎ অদুম তৌনা কংক্রুদু খোইদুমদা পীরগা তপ্না হায়রকই, "বন্ধু, মাগী চাউথোই হায়সে ফৌদি খরা হাপচরেনে হা?"

খোইদুম্না কংক্রুদু চিংলমদায়দা খুম্মী, "ইথা থাজদনা ঙসিগীদু, পরীদুদা ফৌবোৎ য়াম্খৈ হেন্না থোকই। শঙম অনীমসু য়ৈগদবা ৱাৎলি। বন্ধুনা মঙোন্দা য়োনখিবা লৌফমদু থাদনা।"

"ঐনা মঙোন্দা য়োনখিবা লৌ শঙমদুদা থোক্কে' থোক্লবদা ফৌবোৎ মঙা তরুক মঙায়।"

কংক্রুদু খোইদুম্না কন্না চিংবদুদা খোঙনেমদু ঙাইহাক ৱা মখা তাদে। অমুক তোম্পোকপু নীংশিংলকই।

পুলিস কন্সটেবল চোম্লপ্পা থবক খনগদৌরি তাবদুদা মচানুপা তোম্পোক্লা ইঙ্খোল য়োল্লগা থবক চঙহৌনবা মঙোন্দা গৃ গৃ তকখি। অহানবদদি মচানুপাগী ৱাদু না–ওইননা তাখিদে। চৈবু চৈখিবনি।

"মীঙোন্দা শেল পীননবা ইঙ্খোল য়োল্লগা ঐখোয়না কদায়দা লৈবা? কদায়দা লৈগদৌরিবনোবা হা?"

"ইঙ্খোল য়োন্দ্রদি বাজিনা লুপা লাক্ষ ৫ দু পুথোক্লোদনা", শাউরপ্পা তোম্পোকসু হঙ্গৎনা খুন্নকখি।

খোঙনেমসু ঈ কারক্তুনা হায়খি, "ঐদি নপাদগী কোৎলুদৌরিবা? নত্তে, মেট্রিক মরিরক থারগা কদায়দগীনো মীঙোন্দগী শিন্দুনা হুরান চীঙ্খী তৌরগা চি লাউনা পাস তৌবা নঙবু কনানা থবক খন্দৌরিবা? চারি থক্লিবা চীঞ্জাক মতাদুগা।"

তোম্পোকসু চাউনা খুন্নকখি, "পৈশাবু পীরবদি খল্লে। পৈশাদুদা পীয়ু।"

ফনা লাউনা–খোৎনা তৌরবা মতুংদা খোঙনেম, শাউনীংবা পূম্বা ফাথরগা তপ্না হায়খি, "নঙনা য়োনগে হায়রগা লৌ শঙম অমা লৈরিসি য়োনদৌবা মঙায়।"

"এ! লৌশীৎ লৌকূৎতুবু কনানা লৈবিদোইবা? লুপা লাক্ষ অমা ফাওবা শীৎলোইদৌবা, ফৌবোৎ মঙা তরুক ফাওবা থোক্তবা লৌফমদুবু?

মখা য়াম্না তানখি। খৎনখি। লাউনখি। কুইরে, চীংজিন থা অদুৱাইদনি।

"বন্ধু, ঐখোয়গা হৌমিন কামিন্নরকপশিংগী মনুংদা চাউথোই অসিসু মরায়বক লৈবা নুপা অমনি। মহাক মতোমতনিনে ঐখোয়গী ইরক্তা কেরানী ওইদুনা থবক তৌখ্রিসে। হৌজিক্তি শেলসে খরা পায়রবনিনা ৱাঙাঙ শাঙাঙসে খরদি খেন্নরে", কংক্রুদু মথক মখা ওম্বোক্তুনা তাম্বীদু হৈদোক্লগা অনৌবা হিদাক শেম্না শেম্না খোইদুম্না হায়রকপনি।

"ঐঙোন্দদি উশিত্তবা য়ারোই। মাগী লৌ য়ৈবা য়াওরিবসে মানা হায়জমনবদগী য়াওরিবনি। খুঞ্জা মশেলনি, তিন্নরকপনি হায়দুনা য়াওরিবনি। মীনা উশিত্তবা য়াবা নুপা নত্তেদা... মেট্রিক অনীরক থারগা উচিন নাচিন্না পাস তৌরগা কদায়দনো কেরানী মচা অমা ওইবা মাবু করিগী উশিত্তোইনো? ঐখোয়সু নাইন্দা ফেল ওইরমদ্রবদি মেট্রিক্কা হায়দো পাস তৌরমগনি।"

খোইদুমসু পোঙনা খুন্নকই, "মানি বন্ধু, মানা উশিত্তবা য়াপোৎ নত্তে ঐখোয়দা।"

অনৌবা হিদাক হাপ্পবা কংক্রুদু খোঙনেম ফনা কুইনা চিংই। অদুদগী মৈখুদু মমীৎ উইশিল্লগা তপ্না তপ্না থাদোকই। খোইদুম্না উবদা ৱাখল অরুবা অমা খনবা মাল্লি। তশেংবদি খনবা নত্তে, নীংশিংবনি।

তোম্পোক্লা মথং মথং লান তৌরকখি। মহাক্কী অরোইবা তেন অদুনি খোঙনেমগী থম্মোয়দা পানখিবা। তোম্পোক্লা হায়খি, "লাইবক য়েংহৌগে হায়বনি, বাজি। মাম্মা চাউথোইহোয়না হৌজিক নুংঙাইরিবসি থবক অমা তৌহৌবদগী নৎত্রো? ঐসু বাজিদৌনা হাতে–হাতে শূরগা গঞ্জা থক্তুনা পুন্সিসে লেল্লু হায়রিরো, ৱাজাউ ঙাঙলগা?"

খোঙনেম শাউবনা মৈ হৌরকখি। মখূত্তা পায়রম্বা কংক্রুদুনা থাখি। পালহৌদে। লাইবক ফদুনা তোম্পোক্তা পালহৌদে। কংক্রুসু কায়হৌদে। নুমিদাংৱাইরমদদি ৱাখল খরা ইংথরক্তুনা মপানা থম্বীরম্বা লৌ অদু য়োন্নবা খোঙনেম কোয়হং হংবা চৎখি। নুমিৎ মঙা–তরুক্লিনি লৈবিনবা মী থিখিবা। কনাসু ফংখিদে। য়ারকখিদে। মমৈদা চাউথোইদা তক্লখি। মচানুপাগী ৱারী পূম্বা তমখি। চাউথোইদু পৈশা লৈতে হায়দুনা ৱাশক্তুনা য়ারকখিদে। খোঙনেম খঙখি, কনানা লুপা লাক্ষ ৫ য়ারক্কদগে? মঙাদগী অহুম ফাওবা অমুক শোনখি। মদুদসু য়াখিদে। মখা তানা অমুক শোল্লগা লাক্ষ ১ বু শীৎলবদি য়ারে খন্দুনা শোনগে তৌবদা লাক্ষ ১ দি কৈদৌরুনি খন্দুনা তোকখি। শোল্লমদনা ময়ূমদা হল্লকখি। নুমিৎ মরি মঙানিগী মতুংদনি চাউথোইনা ময়ূমদা লাক্তুনা লাক্ষ ৩ দা লৈবা য়োনবদা য়ানখিবদু। 'তোম্পোক্কী থবক্কীদমক্তনি হায়বদুদা নুংঙাইতদুনা মতেং পাঙনীংদুনা তৌবনি, শেলগা লৈদুনা তৌবা নত্তে, খঙন–চান্নবদগী পূবনি', হায়রম্বনি। খোঙনেমদু মাগী নোকফেৎ তৌবদু নত্তনা থাগৎপবু ওইরো নুংঙাইবা ফোঙদোকপবু ওইরো ৱাহে অমত্তা হায়হৌদে।

"বন্ধু থায়না, থায়না হায়বা তারে, ঐখোয়না লাইরিক তম্মিঙৈ মতমদো, চাউথোই পল্লকপদা নীংশিংলকই। ঐখোয় পুল্লপ–পুল্লপ আ... তেরা তান্না চীংখোঙ স্বাইদগী সাইকলনা পূং ১০ নংননবা থৌনবদো। বন্ধুহোয়গী মাম্মগী সাইকল চীদেকপীদু নীংশিংলকই", খোইদুম্না ঙাঙলকপদা খোঙনেমদু মমীৎ মনা শিংই।

নোকফেৎ তৌরগা হায়রকই, "সাইকলদো? ওৎলিখৈ চেল্লু য়াদবা, চেন্না পংতাদা তাবা। বাজিদা সাইকল অহনবা অমা লৈবিয়ু হায়রুবদা ষণগাড়ী অনৌবা অমা ওইনা পানখৎপিগে হায়রকখি। ঐখোয় বাজিদু বন্ধু শিংবদি শিংবজাৎনি। লাইরিক্কী মী নত্তে, ওইরোই খঙখিবজাৎনি। ঐখোয় অয়াম্বসু লাইরিক তম্বা তোক্লখিদনা? কনানবু ইম্ফাল তান্না নুমিৎ খুদিংগী সাইকলদা চৎপদুবু বন্ধু তন্দ্রনে?"

"তনখ্রপোৎনি। কালেন্দনা শাখ্রবা! কনানা ঙমজরুগবনো। নোংজুথাদা মাইল মাপল–তরা হঙ্গৎ–হন্দা স্কুল কারুরগা কনাগী লাইরিক্কা পানীংবা হায়য়ে।"

মমীৎ উইরুম উইরুম হন্দকসু নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরগা খোঙনেম্না মখা তারকই, "বাজিদু নুংশিরকই। মানা থম্বীরম্বা লৌ শঙম অমদু কান্নরেদনা। বাজিগী মপান্দগী, ঐমক লাইরিক হৈহৌদদুনা সরকারগী থবক তৌহৌদ্রসু ইচাদি পুলিস ওইদৌবা মাল্লি। ... চাউথোইদু, ঐবুদি কান্নে হায়ববু... পঙশিংদি শিংবা মীদি নত্তে, বন্ধু। লৌশিৎতুবু লাক্ষ ৩ দা লৈনে। মা তারদি শাউনি, পঙদি পঙখ্রেদা।"

অদুদগী খোঙনেমদু নোকফেৎ তৌরকই। মমীৎ উইরুম উইরুল্লদনা।

হন্দক্তি খোইদুমদু ৱাতা অমা তৌরকই, "বন্ধু, অদুবু মাগীসু মনুংদা অঙ্ক অমা লৈরমগনি। ইম্ফাল মচাগা সঙ্গ তৌবনিনা পঙলায়দি লায়রম্লোই।"

"হে হে! মানবু করি অঙ্ক লৈরমদোইনো?"

হন্দক্কী খোঙনেমগী মীনোক অদুদি খোইদুমগী মমীৎতা ময়েক শেংনা ওম্বোক্লা ফজনা উখ্রে। মীৎকুপ খরা খোঙনেমদা মুন্না য়েংই। অদুদগী হংলকই, "তোম্পোক্কী থবক অদুনা, প্রধাণনবু করি হায়রিগে? ঐনা তাববু মানা ৱানোবিরিসি মী অনী–অহুম শুমাল্লে।"

"ওইনি হায়রি। হেক ওইবগা অনী অমগা হাপ্পু হায়রি", হৌজিকসু খোঙনেমদু নোকফেৎ তৌরি। "কেস খরা তৌনবদগী খরা থেঙথবনি। ভোট মমাঙদা হায়দোক্কনি হায়রি। মাসু এম এল এ, মন্ত্রী য়াম সঙ্গ তৌবনি মতৌ ইমান মান্দনা।"

"খনবু খল্লক্লবদি ফৈ। মীনদি করি করিনো য়াম হায়নৈ।"

"বন্ধু, তোম্পোক পুলিস ওইদৌরে হায়নবদুদা মীনা কল্লকপোই করিওই পঙহায় হায়নবা ওইরমগনিদা, বন্ধু।"

হন্দক্তি খোইদুমদু তুমিন লৈখ্রে। মতৌদুদা খোঙনেম্না ৱা থৈদুনা হায়রকই, "ইম্ফাল য়ৌবগী রেল লম্বীদু ঐখোয়গী মমাঙ লৌকোল অচৌবসি ফাওদুনা চৎপদা লেপ্লে হায়নে। ইম্ফালগী লৌ ঙাক্তনা অয়াম্বনি লৌকোল অসিদি। সরকারগী ক্ষেতিপুরনদি লীকখ্রবনি। বন্ধু নীংশিংলিব্রা? সরকারনা আ লৌপাক অসিদা তৌখিবা ঈশিংখোংগী ককখিবা শেলদো?"

"লৌপাক অসি ফাওরদি প্রধাণগা চাউথোইগগী লৌসু শোক্লনিবু বন্ধু।"

"লৌ ফাওরদি শোকপা তারেদনা। লৌদো পামখোদনা। নঙ ঐদি করি ৱানীংঙাই লৈগে? হা? বন্ধু।"

"পরাউ অমত্তগা তৌখিসিরা?" খোঙনেম্না খোইদুমদা হংলকই।

তাঞ্জাদুদা তোম্পোক্লা ঙাঙ শক্তুনা কোম্বোঙলোমদগী চঙলকপদু নিন্দুং মতুংগী থাবল অদুদা ময়েক শেংনা মখোয় অনী উরকই। খোইদুমদু হিদাক শেমগে তৌরম্দগী ফূক হৌগৎলকই। তফিং–তফিং হায়রকই, "বন্ধু, য়াম্না থেঙলম্লেনে সিদি! থা কোক্তোন য়ৌদৌরে। ঐ চৎলগে। হয়েং চাউথোইগী লৌ য়ৈবদু হৌবা লাক্কে।"

পাউখুমগা ঙাইরমদনা খোইদুমদু প্রপ প্রপ থোকখ্রে। তোম্পোক্কা থেংনদনবা লাপ্লপ্না থৈরগা কোম্বোঙ লাম্বোকখি।

খোঙনেমসু গঞ্জাগী মপোৎ মচৈ ময়ামদু লোইশিল্লগা লালটেন্দুগা ইমুং চঙগে তৌবগা তোম্পোক্লা লৈয়েং ইফাই ফাইনা হায়রকই, "বাজি, থবক্তু ওইররোই হায়রিসিনি। থা মঙা–তরুক শুরবা, ভোট ময়াসু ওইরবা 'সি ফাওবদা হায়দোক্ত্রবদি করম হায়না ওইদৌরিনো?"

তোম্পোক্তু মশাদু হাইরং তুরং মাঙ্গোল দারীদা ঙেক ফমথরকই। চুম্না ফম্বা ঙমদে। মশাদু তুদে হায়বদা মখাকই। মতৎ মতৎ মখা তারকই, "প্রধাণগা খৎনরুবনি। হে হে মহাক্লা হায়ববু... ভোট মমাঙদা হায়দোক্ত্রসু মতুংদা হায়দোক্কনি কা হায়রদুনা... মানা তিন্নরিবা এম এল এ, মন্ত্রীদুবু ভোট অমুক হন্না কাগনিসু খঙদে, কারোইসু খঙদে... পৈশাগী ৱা হায়বদা... লাক্ষ অহুমদু হন্দোকউ হায়রসু... ঐখোয়না পীখিবা চামঙা চৎপী, লীশীং চৎপীদু ওইনা হন্দোক্কেকা হায় শারিয়ে। হৌজিক মদুগী শেলয়েকশিংদু চৎনদ্রকানসিদা... মা ঐগী খূৎতা শিনি...।"

খোঙনেমদু মখা তানীংদ্রদুনা ইমুংদা চঙলে। মাগা ওনশিন্নদৌ শরুক অয়ূক ঙন্তাদা প্রধাণ উন্নরুগে খল্লি। তোম্পোক্তি মরোল মৰৈ লৌফম খঙদবমখৈ ঙাঙহৌরি।

মথং নুমিৎকী অয়ূক চাকচা মতুংদা খোইদুমদু খোঙনেম হৌবা লাকই। খোঙনেম হেক উবগা খোইদুম্না হায়রকই, "বন্ধু, রেল লম্বীদু ককপদা চাউথোইগী লৌফমদু য়াওরে হায়নে।"

ঙরাং নুমিদাংদগী মখোয়দৌ শাউগৎতুনা লৈরম্বা খোঙনেমদু খঙহৌদনা কদোমদগীনো নোকফেৎ তৌরকই। নোকফেৎ তৌবদগী হেন্না করিমত্তা খুম্মক্তে।

"বন্ধুনা য়োনখিবা লৌবুক লৌশিৎ খা–ৱাং শারেং মতুপ্তু পুল্লপ ককখ্রে হায়।"

হন্দকসু খোঙনেমদু নোকফেত্তগী হেন্দে। হেল্লিবা হায়ববু মমীৎতু উইরু উইরুম তৌরকপদনি। খোইদুম্না মখা তারকই, "অদুবু বন্ধু, চাউথোইদু ইম্ফালদা ক্ষেতিপুরন লৌরুনি হায়দুনা থোরকপদা মানা হায়রম্বদুবু, ক্ষেতিপুরনদুবু, লৌ শঙমদা লুপা লাক্ষ ২০ নি হায়নে।"

"ঐনা হায়বদুনি। চাউথোইদু অঙ্ক অমা লৈরমগনি। মাদি হান্নবু লৌদু কক্কনি, ক্ষেতিপুরনসু চাউগনি হায়বা খঙবা মাল্লি।"

খোঙনেমদু করিমত্তা খুন্নক্তবদুদা খোইদুম্না খোঙনেমদা য়েংলকই। হৌজিক্তা মমীৎ উইরুম উইরুম নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরম্বদুনা শকফম হঞ্জিল্লগা কদায়দনোমা শংত্রিক য়েংলি।

***(মণিপুরী সোর্ট ষ্টোরি সোসাইটিগী সোভিনিয়ারদগী)***

# তাবুনুংদগী

*মৈতৈগী চহী হৌবা চৈরাওবা নুমিৎতা কোম্বোঙদা চাকলুক অহুম থাদোক্তুনা (অমতা থাদোকপসু য়াওই) লাইদা কখোকপদা চৎনরকই। অসুম্না চাকলুক থাদোকপদা শোন্নবা লাইশোন অসি য়ূম–য়ূমদা থাদোকপগী লাইশোনগা সনা কোনুংদা শোনবা লাইশোনগা খেননৈ। ঙসিগী ওইনা কোনুংদা লাই লুক থাদোকপদা শোনবা লাইশোন অদু তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

"ইরম মাবা তুমাবা, ইরম শেনবা তুশেনবা অমসুং কমশনা কুমলিক্লাই নখোয় অহুমগী নফমদা হান্নদা লুক্লেন অসি কৎচরি। অসিগী তুংদা হনু কোকচাও হনু লৈখম অমসুং খুন্দাহনবা অহুমগা লোয়ননা শরোই ৬১ লাইবুংথৌ ৯ লাইনুরা ৭ নখোয় পূম্নমক্তা কুমশি কুমজাগী অনৌ অপেননা তরা মথেল লুকোই লাংজরিবা অসিবু হাবীরো অদুগা হৈরাং লৈরাংজদুনা কৎচরিবা অসিনা তিনমু ফত্তবা লাইচা ফত্তবা পূম্নমক হাওরৈ খানা পাংবদা হোইথবীরমদুনা নচা ননাই তাইবঙশিংবু শিদয়াই নাদয়াই পীবীদুনা ঙাকপীরম্মো।"

# মণিপুরী পাৰুংছি–পাউৱৌ, পাউতাক

* **কাঙ চীঞ্জাক (চাকচা) য়াখুল নাইদে।**
  – খুদম চাংদম লৈতবা থবক।
* **কাঙ হাৎপদা কৈবন চনবা।**
  – ইরায় লায়বা থবক অমা তৌবদা য়াম্না লুনা খনবা।
* **কাঙখ থাঙ ওইদুনা তোকপা।**
  – মতীক ময়াইদি লৈরগা শীজিন্নদদুনা অরেম্বদা মাঙবা।
* **কাংলম কায়না কাংদাবা।**
  – হোৎতি হোৎনরগা কান্নবা ফংদবা থবক।
* **ক্বা–য়োনবীগী হাইনোক্তা তাইবুংঙো তেকথদুনা লৈরি, চেংবা কাগদ্রা হায়রগা চেংবা কূম্বগী থবক্লি।**
  – মথৌ চিনবা নুপানা মথৌ থাদোক্লগা পোৎফম ফম্বীগী ইরাংদা তাওদুনা লৈবা, কান্নবদি ফংদবা।
* **ক্বাক্কী লানবাও চেল্লক্লে, চরোইনা তে–তু খোঙলক্লে।**
  – থেংলে হৌগৎলসি নোংমগী শিম্বা হৌরসি হায়দুনা অহলশিংনা পাউমেনবা।
* **কাঙ খোঞ্জেল মুক্তা চাউখ্রে, মঙক্লা লংহিদু মঙায়রে।**
  – মশা য়ামনা শাথিনা শোল্লবা মী।
* **কাঙলম চেনবদা তোকহৌবা।**
  – কারল তুরন তৌরিঙৈদা মী ওইহৌদবা।
* **কাঙলম চেনবদা কাঙদ্রুম্না পানবা (কাঙলম খঙদবনা কাঙদ্রুম চায়)**
  – কাতুক কারন চেনবদা খুদোংথীবা নংবা।
* **ক্বাক ক্বাক ময়াং ক্বাক্লা।**
  – মচীন কনবা নমথাক লৌনম তৌবা মী।
* **ক্বাককুম লমচৎ নাইদবা মীদি খাংঙুথক্তা কোমগল্লি।**
  – লমচৎ শাজৎ ফজদবা মীদি খুদোংথীবা তাগল্লি।
* **ক্বাক্লা শাইরোংগা ঈশিংগা থাউগা।**
  – অমগা অমগা তোৎনা তিন্নবা য়াদবা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

# চানক্য নীতি

– শঙ্গোম থোক্ত্রবা ষণবী, মচা চেন্দ্রবী ষণগুম্বনি লাইরিক হৈবসু ওইদ্রবা ভক্ত ওইবসু নৎত্রবা মচাদুদি।
– শোক্লবা থম্মোয়বু পোত্থাহনবা ঙম্বদি মচা–মশু, নুপী (মতু) অমসুং সাধু সঙ্গ–অহুম অসিতননি।
– নিংথৌ অমসুং পণ্ডিতনা ৱা অমত্তা ঙাংই, মচা নুপীবু অমুক্তা থাজৈ– অহুম অসিদি অমুক্তা তৌবনি।
– তপস্যদি মী অমত্তা তৌগনি, লাইরিক পাবনা অনীনা, ঈশৈ শকপদি অহুম পুনগনি, খোঙচৎ অমা চৎপনা মরিনা, লৌউবনা মঙানা অদুগা য়াম্মীবমখৈ লান্দা কান্নে।
– তরু তরুবী, থবক্তা হৈ শিংবী, মপুরোইবা নীংবী, মপুরোইববু পেলহনবী অমসুং অচুম্বা ঙাংবীদুবু নুপী (মতু) কৌই।
– মচা য়াওদবা য়ূম, মরী মতা লৈতবা মায়কৈ, অপঙবগী থম্মোয় অহাংবনি। লায়রবদি পুমহাং হাংই।
– থবক ওম্বোক্ত্রবা শাস্ত্রগী ৱা, অনাবা মীদা অহাওবা চাক–এঞ্জাং, লায়রবা মীদা মীয়াম তিনবা থৌরম অমসুং হনুবা অমদা নহা ওইবী নুপী (মতু) হুনি।
– থৌজাল লৈবা য়াওদবা ধর্ম্ম, মহৈ হৈতবা গুরু, ঈশৌ লাংবী মতু, লুনা তৌদ্রবা মরী–মতা থাদোকখো।
– খোঙনা চত্তুনতা লৈবা মী থুনা হনুবনি, পুন্দুনতা থম্বা শগোল থুনা হনুবনি, মপুরোইবগা শয্যা পুন্দুনা নুপী থুনা হনুবনি অদুগা নুংশাদা তোয়না ফৌরবা ফি থুনা মনবনি।
– অশিংবা মীনা মতম, মরুপ, মফম অরাকপা, চাদিং মশামক কনানো, অদুগা মাগী শক্তি কদায়দগী ফংবনো হায়বদু মতম পূম্বদা কন্দুনা লৈগদবনি।
– পোকপিবা, দিক্ষা গুরু, শিক্ষা গুরু, চাক থাকপিবা অমসুং অকিবদগী ঙাকপিরিবা মঙা অসিবু ইপানি খনগনি।
– নিংথৌগী নুপী, গুরুগী নুপী, মরুপকী মমা, মতুগী মমা অমসুং অপোকপী মমা মঙাসিবু ইমানি খনগনি।

*হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা*

# মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

৮৩. মবুক্তা মচিন পানবা পোৎ–
৮৪. মবুক্লা চারগা মনঙ্গন্না খায়বা–
৮৫. মালেমদা মরা তাদবা পাম্বী–
৮৬. মথক্তা কৌরগা মখানা খুম্বা–
৮৭. মবুক শুবদা মমিৎ পাংবা–
৮৮. মনা লৈরগা মৰৈ তিংথোরকপা–
৮৯. মকোক্লা চারগা মবুক্লা ফায়বা–
৯০. মকোক্লা লোৎপা মমৈনা কেবা–
৯১. মহয়দি য়াল্লগা মপালদি শাদবা–
৯২. মপালদি শারগা মহৈদি য়ানদবা–
৯৩. মনিং হল্লগা ঙম্বা শকপা–

***মমাঙ নোংমাইজিং (৩১–০৩–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

৭৩. কপত্রেং।
৭৪. নাউশেক
৭৫. অমাংবা নেৎপা (থী নেৎপা)।
৭৬. হুইনা অচা–অথক চাবা।
৭৭. কুন্দালৈ।
৭৮. রিক্সো ড্রাইভর।
৭৯. থৈবোং।
৮০. ৱাইখু।
৮১. কবোরু।
৮২. সরারু।

# কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **শিক্ষকী ফি–রোল শূবিগে হায়রবদি?**

শিক্ষকী ফি– রোল শূবিবা মতমদা নূং–হৱাই ফুৎপগী মহী শীজিন্নবিয়ু, মচু থোকপা হেনগনি অদুগা ফিহনগুম মপোকসু কায়রোয়।

* **শেগ্রাক মনম নমথীরবদি?**

শেগ্রাক মনম নমথীবা হায়বসি মরম অমা নৎত্রগা অমদগী মীপূম খুদিংমক্তা থোকপা য়াবা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদৌ অমনি। মহৌশাগী ওইনা খরা য়াম্না নমথীগনবা নৎত্রগা নমথীগন্দবা মীওইশিংবুদি য়াওদবা নত্তে। নীংথমথাগী মতমদা নুংতিগী নীংথিনা ইরুজগন্দবা মীওই অয়াম্বা শেগ্রাক মনম নমথীগল্লি। অমরোমদা মরু ওইনা, ওলাংথাগী ওমচাক্লবা অমসুং হুমাং শৌবা মতমদদি মতাং–মতম চানা নীংথিনা ইরুজথোক্ত্রবা নৎত্রগা ইরুজথোক্লবসু হুমাং চোৎখ্রবা অমোৎপা ফি– রোল শেৎলগদি মীওই অমদসু অমদসু শেগ্রাক মনম হেক্তমক নমথীগল্লি। শেগ্রাক মনম নমথীবগী ৱাফম অমদি শেগ্রাক মনম নমথীবা অসি লেংথৈনরিবা মীওইশিংনদি খাঙঙমদনা নমথীবা মনম ফাওনরগসু নমথীবা মনম চেল্লিবা মীওই মশা–মশা অদুনদি অয়াম্বনা ইখঙ–খঙনজদবগুম্না তৌনৈ। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু, শেগ্রাক মনম নমথীবা কোকহন্নবগী খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈদি নীংথিনা ইরুজথোকপা অমসুং ফিশেঙ (শুদোক্লবা ফি) শেৎপনি। খরা হেন্না নমথীগনবা মীওইশিংগীদি কালেনদা নোংমগী অয়ূক–নুমিদাং ইরুজথোকপিবতা নত্তনা মরক্তা শেগ্রাকপুসু হেক–হেক শোয়দনা চামথোকপিয়ু। অদুগীসু মথক্তা, মহৌশানা শেগ্রাক মনম খরা হেন্না নমথীগনবা মীওইশিংদি ইরুজদ্রিঙৈ মিনিট ৫–৬ কী মমাঙদা শেগ্রাক অনীমক্তা চম্প্রা মহী তৈবীরগা থম্বীয়ু লোয়ননা য়ারিবমখৈ মরু–মরাং থাউ–থুম কনবা চীঞ্জা থাদোকপকপিয়ু।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ''কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু'' দগী লৌথোকচবা)*

# চয়োলসিগী ফাগী

**শিংগৎলক্লবা কোক!!**

অহল মতম ওইশিল্লকপদগী মনা তাথীশল্লক্লবা ইনাকখুনবা নুপা অমনা ডাক্তরগা তানদুনা মনাকোংদা পীশক পীক্লা হাপচিনবা য়াবা, য়েংবদা মীনসু পাক হেক উবা ঙমদবা মমলসু য়াম্না তাঙবা 'হিয়ারিং এইড' অমা হাপচিল্লি। মদুগী চ্যেক তৌবা ওইনা খরনি মতুংদা অহলদুনা অমুক লাকপদা ডাক্তরদুনা–

– খুরা কমদৌরে, হৌজিক্তি নাকোংগীদি থোইদোকপা প্রোব্লেম লৈবিদ্রবা নৎত্রনে?
– হোই ইবুঙো, নাকোংসু য়াম্না নুংঙাইরে অদুগা ইকোকসিসু য়াম্না শিঙ্গৎলে, মমাঙঙৈগা মান্নদ্রে, খুরাগী লৈজরিবা লন–থুমকাশিংসি মচিৎ–মচিৎ য়োম্বোক্লগা চানীংবা চাহৌরগে, তৌথোকপা য়াবা দান তৌথোক্লম্লগে, তীর্থকাসি পংচত্তা চৎহৌরগে হায়না কন্না খনগৎলক্লে ইবুঙো।
– এহ! করি ৱানো অদুদি খুরা!
– অস ইবুঙো ডাক্তর, ৱাগীবুদি করিসু নত্তেদা, য়ূমদা ইচানুপা অহুমগী ইমৌ অহুম লৈমিন্নরিয়ে, ... মখোয়দদি ঐগী নাকোংসি নীংথিনা তাবা ঙম্লে হায়বসি ঙসি ফাওবা খঙহন্দ্রিবনিনে।

# শৈরেং

## হুরানবসু হুনি

*– লাইশ্রম দেবেন সিংহ*

হুরানবসু গুণ অমনি তাইবঙদা
বিষয় অমগুম তমনৈ মপান্দা অঙাংদৈ
থাক ৱাংলবা হুরানবদি সিআইদি স্পাই
লৈবাক্কী থাক্তা শরুক য়ানৈ।

হুরানবৈ যুগতা হুরানবা হৈত্রবা মাদি
থিবোং চরা হেনগনি, ভিক্ষারি ওইনি
মী ওইনা থানরোই, শঙ্গ লৈরোই
লেনবা ৱাগনি, হিংবদা মহাও লৈরোই
লৈবাক্লা ৱা খন্নররোই মাদি
চাউখৎ লৈবাক কয়াদা ট্রেনিং তৌনৈ
হৈজিনবা তমশিনবদা অমাংবা লৈতে।

---

## শেঞ্জা থুমজা

*– ইরোম মোবি*

ভোটরশিংনা
চাক চানবগী, লীলা য়েংনবগী
থাবল চোংনবগী, ঈশৈ তৌনবগী
অমদি ভোট থাদনবগী
শেল য়াম্না য়াম্না লৌবদগী
শেঞ্জা থুমজা মুৎপা ঙমদবনি।

## শজিবু

*– মাইস্নাম বিষেশ্বর*

হে শজিবু থা লাইবক ফবি
বসন্তা য়েন্নীং ঈরোইননা লাকঅব্রা!
থম্মোয় পাউদমদি য়াকাইরম
হুন্দোকপিরম্লব্রা লমতা থা
চীংয়া থন্না ঙান্নরৈ নীংথিবী
চিংথ্রাও মপান শকহেনবী
পুমঙৌ ঙৌনা মকা লাম্না নোকইবসে
য়েংঙুনে নঙবু নুংশিদ্রা!
হিগোক মচু কোম্বীরৈ লৈরাংনা
লৈকা ফন্না শাৎলিবসে
শজিবু নহাক্কী নগুণ হেনগৎনবা নৎত্রা?
স্না মচু নাপুনা তিংখংনা চয়োমশা
কুশুমলৈ লৈরাংনা থিনগায়না শাৎলিবসে
নহাক্লা হেনদে মতাগুম মথোই কারিবসে
মকা ফন্না মোমোন নোকইবসে
হে লাইবক ফৈদকো শজিবু
নোবাপ মপান্না লৈনম পনলানলিবা
চহী হৌরে হায়না মকা লাম্মিবা
শাবি–শানৌ কয়ানা মথুম মরাং হৌরিবা
মতম লোইরে কায়না পিরাং শিম্ফুরিবা
শজিবু নহাক্কী লোইনাইদা খোঙচৎ
করম হায়না শৈথারসিগে শজিবু থা
অবের মচু মরক্তা খূৎজেং পালোইনখিবা
মহাক্লা করিমত্তা হেনদে হায়সিরা
হৌখ্রবদি হৌখ্রে লোইখ্রে
হরাও মথোই কাখিবশিং
লোইনা ঙসিদি পুমহাং হাংঙৌরে
অনৌবা অশা পিবিরম্মো।

## ৱাখল মুন্না তৌহৌসি

*– তবানু খুরাইজম*

অকাউবগী খয়োম্লুংদা
পুনখিবনা নীংশিংদ্রবরা?
থেনখাং কয়া কয়ানো
সরক লমজাউ কয়াদা
শিবা চঙবা নাচুংদা
কায়বা য়ারোই ইরমসে
লাউ–খোংনা চৎখিবা
ৱাখল মুন্না তৌহৌসি।
ইকায়বনা তুংদা থম
ৱাখল কয়া তায়োন্না
মায়থোঙ মকা লাম্না
য়ূমথোঙ খুদিং লাক্লনি
ভোট খোম্বা ইরমগী
ৱাখল মুন্না তৌহৌসি।
পামেল থক্কী হৈবোংবু
চাগে খন্না হেক্লবা
নুংদা তীনবু চঙলম্বা
খঙবা ঙমগনি কনানা
হয়েং করি ওইরক্লি
লুরবা তাঞ্জা অমনি
ৱাখল মুন্না তৌহৌসি।
হুমাং তানা চৎলিবা
অনম কনবা ৱাখলদি
পুকচেল ওনবা থুবনি
কনানা ইরম কনগনি
পূন্নীং লৈতা ফংগনি
ৱাখল খন্না পীখিসি
মমল নাইদ্র ইশাগী হক
ৱাখল মুন্না তৌহৌসি।